## এডিটোরিয়েল

এডিটর্স গিল্ড মণিপুরগা নকসিননা থবক থৌরম কয়া তৌরম্বা সঙাই এক্সপ্রেস (ইংলিস অমসুং মণিপুরি)গী এডিটর ওইরম্বা সেনিয়ার জর্নেলিষ্ট অমসুং টেলিগ্রাফ পাডি-চেগী স্পেসিয়েল করেস্পোন্দেন্ট থোকচোম খেলেননা ইখং খংহৌদনা লৌখিদবদা থম্মোয় শোক্লা অরাবা ফোঙদোকলদুনা ঙসিগী এডিটোরেল হাংহঞ্জরে

# বামোন অজ্ঞা রাধামাধব শর্ম্মাগী ইমুংদু নুংশিরকইদা

**ঐখোয়ই শ্বায়গী ৱারী**

**মণীন্দ্র কোন্সম**

ওরিষাগী পুরীদা শ্রীশ্রীজগন্নাথকী লাইশঙদা মমাঙঙৈদগী চৎনরক্তুনা ঙসিফাওবদা পরীং কায়দনা চৎনরিবা চৎন–কাঙলোন কয়ামুক লৈ। অদুগুম্বা চৎন–কাঙলোন পরীংশিং অদু মচা–খায়না তাক্তুনা ইরগা ফোঙলবা লাইরিক কয়ামুকসু লৈ। মণিপুরী লোল মৈতৈলোলদসু হৌজিক্তি লাইওইবিথ্রবা অহল ইবুংঙো খাইদেম নবকুমার সিংহ, উরিপোক খাইদেম লৈকাইনা, প্রোফ. কে. সি. মিশ্রা কৌবা অমনা ইংরাজীদা ইবা “দি কল্‌ত্‌ ওব জগননাথ” কৌবা লাইরিক অমদগী শমজীন্না হন্দোকপিরগা “শ্রীশ্রী জগন্নাথ উপাসনা” মিংথোনবা লাইরিক অমা থম্বিরম্মী।

“শ্রীশ্রী জগন্নাথ উপাসনা” হায়বা অসি মৈতৈলোলদা ইচম–চন্না “শ্রীশ্রী জগন্নাথকী ঈরাৎ–থৌনি” হায়না ৱাহন্থোক পীবা য়াই। লাইরিক অসি পারগদি, শ্রীশ্রী জগন্নাথকী লাইশঙ–লাইকোল লৈবগীদমক শ্রীক্ষেত্র হায়নসু খঙনরিবা পুরীদা লৈরিবা শ্রীশ্রী জগন্নাথকী লাইশঙ–লাইকোল অসি করম্না কনানা কমদৌনা লিংলকখিবা, লাইশঙদা ঈরাৎ–থৌনিনরিবা লাইগী মিতমশিংনা করম হৌরকখিবা হায়বগী পুৱারী পরীংশিং অদু মীচম ঐখোয়গী ওইনদি চাউরাকপা অমা খঙবা ঙম্মী। অদুগা শ্রীশ্রী জগন্নাথকী ঈরাৎ–থৌনি পরীংগী চাউরাকপা মশকশিংগা লোয়ননা চৎন–পরীং অদুগা থাগোন্নরিবা নুংগী ওইবা ৱাংউলোন নচিংবা কয়া অমসু লাকশীনবা ঙম্মী। অদুম্বা ময়াম অদুগী মনুংদা মীচম ঐখোয়গীদমক্তি থোইদোক্লা পুক্নীং চিংশিন্নীংঙাই ওই হায়না লৌজবা মতাঙ অনীখক থমজগে।

অহানবা ৱাফম্না শ্রীশ্রীজগবন্ধুগী থৌগলদা কৎপা লুকলেনগী মতাঙদনি। যযাতিনা পানখিবা মতমদা ব্রাক্ষণ অমসুং লম্বোইবশিংনা শ্রীশ্রীজগন্নাথ থৌগলগীদমক ফূ হৌরমদে। নোংমা নিংথৌগী মমঙদা শ্রীশ্রীজগন্নাথনা মঙতাকপিরম্মী– “কাঙলোন অমা নাইনা চাক–এন্সাং থোংঙু, অদুগা মদু ঐঙোন্দা কৎলগা ব্রাক্ষণ অমসুং লম্বোইবশিংবু কৌরগা পীজৌ।”

মঙতাক অদুগী মতুং ইন্না নিংথৌ যযাতি মশামক্লা লাঙজবা লুকলেন অদু মহাক্লা বার্তোন তৌদুনা কৌজরুবা ব্রাক্ষণ অমসুং লম্বোইবা অমত্তনা চাবিয়ু য়াখিদে। মদুগীদমক মথৱায় ৱারবা নিংথৌ মশামকসু করিমত্তা চাদ–থক্তনা অমুক হন্না শ্রীশ্রীজগন্নাথপু মপুক্নীং চেৎনা নীংজরগা ৱাকৎচরম্মী। মদুদা শ্রীশ্রীজগন্নাথনা নিংথৌগী মমঙদা অমুক্কা হন্না লাক্তুনা হান্নগীগা মান্নবা মওংদা মঙতাকপিরম্মী। অদুবু মহাক্লা ব্রাক্ষণ অমসুং লম্বোইবশিংবু লুকলেন চাবীনবা হায়জবদা ৱাফম অদু শ্রীশ্রীজগন্নাথ মশামক্লা তাকপিরম্বনি হায়য়ু হায়নসু তাকপিরম্মী। ৱাফম অদুমক নিংথৌনা ব্রাক্ষণ অমদি লম্বোইবশিংদা হায়রুবদা মখোয়না খুন্নকখি– “জগন্নাথনা অদুন্নমক তাকপীরবদি ঐখোয় খূদিংমক লুক খুনগনি।” অদুবু অসূন্না ঙাঙনরিঙৈ তাল্লক অদুদা শ্রীশ্রীজগন্নাথ খুরুমজনবীদমক মায়কৈ অমরোমদগী লাকপা মরোল থোক্তবা ব্রাক্ষণ কাঙবু অমা অমদা মখোয়না মখূৎ থিন্দুনা হায়রক্লম্মী– “মরোল থোক্তবা ব্রাক্ষণশিং অসিনা লুক অসি খূঞ্জবদগী করিগুম্বদা লোল থোরক্লবদি ঐখোয়সু শোয়দনা চাগনী।”

ৱাফম অদুদা নিংথৌ যযাতিনা মপুক্নীং শেপ্পা য়ারদুনা মহাক্লা শ্রীশ্রীগজন্নাথ থৌগলগীদমক লাঙজবা লুকলেন অদু মরোল থোক্তবা ব্রাক্ষণশিং অদুদা পীজরম্মী। অঙকপনি! লুকলেন অদু হেক ময়াদা হুকপগা মরোল থোক্তবা ব্রাক্ষণ লাইরিক হৈতবশিং অদুগী মচীন্দগী থাক ৱাংলবা ৱাহৈ পরেং খরা শৈরেংগী শৈরোলদা ঙাঙথোরকখি– “হো! নশা নথন্তবু মাইচৌনি হায়না চাউথোকচবশা! নখোয়দা বেদ অমসুং অতৈ শস্ত্রেগী লৌশিং মঙাল লৈজদে। ঐনা লুকলেন অসি খুনবা মতমদা ঐগী মরী–মতা পূন্নমকসু অদুম্মক ফংলবনি। নখোয়না লুকলেন খুনবদা হঙ্গোইবা তৌরোইদবনি। লুকলেন্না কনাবুসু মাংহনবা তৌদে।.......।”

অনীশুবা ৱাফম্না, মমাঙঙৈদগী হৌনা চহী খূদিং (মৈতৈ থাবান্দা) ইঙাগী থানিন নুমীৎ, শ্রীশ্রীজগন্নাথকী ‘স্নান যাত্রা’ হায়না খঙনরিবা থৌরম হৌবা নুমীত্তগী থাশি ফাওবগী নুমীৎ ১৫নি চুপ্পা অসি শ্রীক্ষেত্রদা লৈরিবা শ্রীশ্রীজগন্নাথকী থৌগল অসি ব্রাক্ষণ পুরোহিতশিংনা তৌদে। সাবর হায়বা কাঙলূপকী মীওইশিংখক্তনা থৌগল চংঙী। সাবর হায়রিবশিং অসি হাও কাঙলূপ অমনি। শ্রীক্ষেত্রদা লৈরিবা শ্রীশ্রীজগন্নাথ অসি কাঙলূপ অসিনা মমাঙঙৈ মতম অমদা মখোয়গী লাই ওইনা ঈরাৎ–থৌনিজরম্বগী পুৱারী লৈরি। স্নান যাত্রা নুমীত্তগী হৌরগা নুমীৎ তরামঙানি মখোয়না শ্রীশ্রীজগন্নাথকী থৌগল চঙবদা মৈ চঙলবা অথোঙবা পোৎলম কত্তে। উহৈ–ৱাহৈ ঙাক্তা কৎলি। অদুগুম্বা উহৈ–ৱাহৈশিং অদু মখোয়না লাইদা কৎত্রিঙৈগী মমাঙদা মাঙজৌননা অহাও–হাউতগী মহাও তংদুনা য়েংলগা খ্বাইদগী হাউবা অহাওবা উহৈ–ৱাহৈশিং অদুতমক কৎলি। অসিগুম্বা চৎনবী অসি ঙসি ফাওবদসু শ্রীক্ষেত্রগী শ্রীশ্রীজগন্নাথকী ঈরাৎ–থৌনি পরীংদা কায়দনা চত্থরিবা থৌওংনি।

মথক্কী ৱাফম মতাঙ অনী অসিদগী ঐখোয়না খঙবা ঙম্লিবদি শ্রীশ্রীজগন্নাথপু নীংজরিবা বৈষ্ণৱশিংগী মফমদদি মীওইবগী থাক্তা অচৌ–পীশক নাইদে, মাংবা–শেংবা খায়দে হায়বা তাকপনি। অসিগুম্বা নীংজবা কয়াদগীসু হেন্না নীংথিজরবা, অদুগা ৱাংবদগীসু থোইনা হেন্না ৱাংলবা ৱাংলুলোনগা শাগোন্নরিবা বৈষ্ণৱশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মণিপুরী বৈষ্ণৱশিংগী মরক্তদি অসূক য়াম্বা মওংদা মাংবা–শেংবা অমদি হাও–ময়াং, ব্রাক্ষণ, মৈতৈ হায়বনচিংবগী খেন্নবা কয়ামুক লৈহল্লন্লিবা করিগীনো? মসি মণিপুরদা লৈরিবা অদুগা মণিপুরদগী হৌখ্রগা মপান লমদমশিংদা লৈরিবা মৈতৈ ঐখোয়না ফত্তবা নৎত্রগা পংজবদগীরা নৎত্রগনা অপূনবা মৈতৈগী থাদোক্লবা য়াররোইদবা শরূক অমা ওইরিবা বামোনশিংনা ফত্তবগীরা হায়বা ৱাহং অমা হংনিংলকই।

ঙসিগী অপূনবা মৈতৈগী মনুংদা মৈতৈ অমসূং বামোনগা লৈনরকপা মরীগী মতাংদা ওন্থোক–ওন্থোকপা থৌওং থৌদৌ কয়া থেংনরকখ্রে। কয়াদু মণিপুর মনুংখক্তগী ওইবা মীৎয়েংদদি হৌজিক মতম ফাওবদদি ফনা য়ান্না নীংথিনা হোংলকখ্রে হায়বা য়াই। পুহোং–হোংলে হায়বদি য়াদ্রি। অদুবু মণিপুরগী মপান, মরূ ওইনা আসামগী বরাক তম্পাকক্লোমগী মৈতৈ অমসুং বামোন অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরীদি ঙসিসু মণিপুরদা ঙসিদগী চহী ৪০–৫০গী মমাঙদা লৈরম্বা ফিভম অদুদগী ইহোং–হোংদ্রি। বামোনগা মৈতৈগা চাকচা–ফিদা তিন্নদ্রি। মৈতৈগা–বামোনগা চারৌ–মৌরৌনদ্রি। বামোন্না মশাবু খুন্নাইগী মনুংদা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা লৈরিবনি থাজবা বামোনগী মশীং হন্থদ্রি। অসিগুম্বা ফিভম কয়া অসি ঐখোয়গা য়ূমথংনরিবা লৈবাক ম্যানমাররোমদসু অকনবা মওংদা হোংবা নাইদনা লৈরকখিবা অমসুং লৈরিবনা লৈবাক অসিদা অপূনবা মৈতৈগী মীশিঙ নোংমা নোংমগী তাথরকপগী মরম ওইদুনতা লাক্লি। হৌজিকসু লেপ্ত্রি।

> ঙসিগী অপূনবা মৈতৈগী মনুংদা মৈতৈ অমসূ বামোনগা লৈনরকপা মরীগী মতাংদা ওন্থোক–ওন্থোকপা থৌওং থৌদৌ কয়া থেংনরকখ্রে । কয়াদু মণিপুর মনুংখক্তগী ওইবা মীৎয়েংদদি হৌজিক মতম ফাওবদদি ফনা য়ান্না নীংথিনা হোংলকখ্রে হায়বা য়াই। পুহোং–হোংলে হায়বদি য়াদ্রি। অদুবু মণিপুরগী মপান, মরূ ওইনা আসামগী বরাক তম্পাকক্লোমগী মৈতৈ অমসুং বামোন অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরীদি ঙসিসু মণিপুরদা ঙসিদগী চহী ৪০–৫০গী মমাঙদা লৈরম্বা ফিভম অদুদগী ইহোং–হোংদ্রি। বামোনগা মৈতৈগা চাকচা–ফিদা তিন্নদ্রি। মৈতৈগা–বামোনগা চারৌ–মৌরৌনদ্রি। বামোন্না মশাবু খুন্নাইগী মনুংদা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা লৈরিবনি থাজবা বামোনগী মশীং হন্থদ্রি। অসিগুম্বা ফিভম কয়া অসি ঐখোয়গা য়ূমথংনরিবা লৈবাক ম্যানমাররোমদসু অকনবা মওংদা হোংবা নাইদনা লৈরকখিবা অমসুং লৈরিবনা লৈবাক অসিদা অপূনবা মৈতৈগী মীশিঙ নোংমা নোংমগী তাথরকপগী মরম ওইদুনতা লাক্লি। হৌজিকসু লেপ্ত্রি।।

মীৎয়েং অমরোমদা, মণিপুরী মৈতৈশিংনা চৎলিবা বৈষ্ণব লাইনীং লীচৎ অসিদি ‘গৌড়ীয়’ হায়বা অমা তপ্পদগী হেন্দোক্তুনা মালেমদা চৎনরিবা ‘গৌড়ীয় বৈষ্ণব’শিংদগীসু পূমতোপ–তোপ্পা তোঙাল্লি হায়বগীদমক “মণিপুরী গৌড়ীয় বৈষ্ণব” হায়রিবনি। বৈষ্ণবতা ‘গৌড়ীয়’ হায়বসি লাক্লবদি মীগ–মীগগী মরক্তা খেন্নবসু লৈত্রবনি। অমাং–অশেংগী ৱাফমসু তোঙাল্লবনি। হিন্দুগী বর্ন খায়বদা য়াওবা ব্রাক্ষণখক্তগী ইমুংদা পোকপখক্তনা ব্রাক্ষণ ওইদ্রবনি। ব্রক্ষজ্ঞান লৈবা অমসুং ঙাক্লা চৎপা অমদি শাস্ত্র খঙবা মীওই অমনসু ব্রাক্ষণ ওইবা য়ারবনি। অদুগা, অপূনবা মৈতৈগী মরক্তা মৈতৈ অমসুং বামোন অনীগী মরক্তা অচৌবা পনখৈ অমা মৈতৈনসু অদুগা বামোননসু থন্নরিবগী মরম করিগীনো? মসি তোক্লবা ফৈ। অপূনবা মৈতৈ খুন্নাইগী ওইনা কান্নদবা, অরেম্বদা মাঙজবতা ওইরক্লবা চৎনবী পরীংনি। মৈতৈ অমসুং বামোন অনীমক চঙদুনা লাক্তুনা লংশেকমিন্নখিবগী মতম ওইরে। অসূন্না হায়জীংলক্লিবা অসিগী মরূ ওইবা মরমদি আসামগী ধেমাজনি অমসুং নোর্থ লক্ষিমপুর দিষ্ট্রিক্ট অনীগী লমখৈনফম গোগামুখ হায়বা মফম (মমাঙদা থমজখিবা “ওখোমাটী মণিপুরী গাঁও”দা পঞ্জখিবা) অদুগী মনাক্তা লৈহৌবা মৈতৈ বামোন ইমুং অমগী ফিভম উজরকখিবদগীনি।

আসামগী ধেমাজী দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈরিবা ‘মোহোরি কেম্প” হায়বা মফম অদুদা য়ূম্লিংহৌরিবা মৈতৈ বামোন অজ্ঞা অদুগী মমিং (লোৎপগী কান্নবা লৈতে, অশেংবা মমিং) বাচস্পতিময়ুম রাধামাধব শর্ম্মা কৌই। মশাগী চহী ৭০ রোম ওইগনি হায়। ঐহাক্লা অজ্ঞাগী ময়ূমদা চঙখিবা নুমীৎ অদু অজ্ঞা মশামক্তি থবক অমা চখোকখিবনা লৈরমদে। মৈতৈ নিঙোল থৌরানী অদুদি লৈরম্মী। মখোয়গী মচানুপা অনী, মচানুপী নিঙোল অনীনি। মচানুপী অনী অদু অমনা মীসিং (আসামগী ট্রাইবেল কাঙলুপ অমা)দা অদুগা অমনা তেখাও (আসামীজ)দা ময়ূম পানখ্রে হায়। মচানুপা অনীগী মনুংদা নুপী থিরবা মচানুপা য়াইমদু লৈরম্মী। পাখং ওইরিবা মচানুপা অহলদুদি লৈরমদে।মচানুপা য়াইমগী মৌ অদু তেখাও নিঙোলনি। মৈতৈরোল থোক্তে। মচানুপী, চহী ১২–১৩গী মশক–মতৌ নুংশিখ্রবী অমসু লৈরম্মী। মহাকসু মৈতৈলোল থোক্তে। মচা–মমৌ–মশূনুপী মখোয় অহুম অদু মৈতৈ নিঙোল থৌরাণীনা ইনাক্তা কৌশিন্দুনা খুরুমহল্লকখি। পুক্নীং থুক লাউখি। ইমাঙমক্তদা, মমল য়াম্লবা মৈতৈ ইমুং অমা অতোপ্পা কাঙলূপ্ত লূপশীনবা হৌরম্লবদু উবদা পুক্নীং নুংশিখি।

অজ্ঞা রাধামাব শর্ম্মগী হৌরক ৱারীদু মৈতৈ নিঙোল থৌরাণী অদুদগী তাবদা মৈতৈ অমসুং বামোন অনীমক্কী মফমদা পেন্দবা পোক্লকখি।

অজ্ঞা রাধামাধব শর্ম্ম আসামগী হোজাই–লংকাগী মৈতৈ খুঙ্গং অমা ওইরিবা বালন্ধর হায়বা অদুদগীনি। চহী ৪০ রোম মমাঙদা মখুঙ্গংদা লৈবা আসাম সরকারগী এম ই স্কুল অমদা ওজা ওইজরম্মী। অদুবু মৈতৈ নিঙোল থৌরাণীগা নুংশি ৱাইথুংবগী পুক্নীং ফিরেপ্লা হেনখিবনা, সরকারগী তোলোব চাবা ওজা ওইবগী শিনফম থাদোক্তুনা হৌজিক্কী মফম অসিদা মীচেন ওইনা চেল্লকখিবনি। চেল্লকখিবগী মরন্না অজ্ঞা রাধামাধব শর্ম্মা অমসুং মৈতৈ নিঙোল থৌরাণী, মখোয় অনীমকপু হোজাই–লংকারোমগী মৈতৈ অমসুং বামোন খুন্নাই অনীমক্লা শোক্লা–শন্নবা য়াদ্রবা অমোৎপা–অমাংবা পোৎশক অমগুম ইন্থোকপিরকখিবদগীনি। বৈষ্ণব অমগী মীৎয়েংদা ওন্থোক্লা নুংঙাইতবা থৌওংনি। অজ্ঞাগী ইমুংদু তশেংনা নুংশিজরকখি।

অসিগুম্বা চৎনবী অসি কান্নদবা, মাঙজবতা ওইরগদবা চৎনবীনি। মখা শমথনদবা ফগনি থাজে। পীশক–পীকপা অপূনবা মৈতৈগী খুন্নাইদদি মৈতৈ অমসুং বামোনগী মরক্তা অনেম–অৱাংগী কাখল খায়ফম থোক্তে। বামোন অমগী মথৌ চপ–চানা তৌবা ঙম্লিবা হায়বদি ব্রক্ষজ্ঞান লৈনা অমসুং ঙাক্লা চৎলিবা অদুগা শাস্ত্র খঙনা লাইনীং–লাইশোলগী থৌরম পাঙথোকপা ঙম্লিবা বামোন অমবু মৈতৈ লৌই, ময়াং লৌই, হাও লৌই হায়দুনা মৈতৈ খুন্নাইনসু অদুগা বামোন খুন্নাইনসু ইন্থোকফম থোক্তে। শন্না হায়রবদা, পীক্লবসু পীক্লা অপূনবা মৈতৈ খুন্নাইগী মনুংদা মৈতৈ অমসুং বামোনগগী মরক্তা ৱাহন্থোক য়াওদনা খেন্নবা লৈহনফম থোক্তে।

---

# অরি–অনৌ য়ূম্বাল্লোনগী শক্লোন–১

*চোংথাম থোইবা সিংহ*

“য়ূম্বাল্লোন অসি তুরেলগী লৈঙাইদগী হেন্না কুপ্পী” মৈতৈ পাউরৌ। মীওইবনা য়ূম হেক পানবা নুমিত্তগী য়ূম্বাল্লোন খঙদবা য়াদ্রে। য়ূমপানবা লূহোংবা হায়বসি খ্বায়দগী মরূ ওইবা অহানবা কর্ম্মনি। লূহোংবা অসি বর কন্য অনীগী থম্মোই অনীবু অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা শেংখ্রবা থৌরমনি, কারবারগী য়ানচেবু নাকল অমনা হেক য়ারক্তবদা তোকথোকপা য়াবদু নত্তে। অদুগা লুহেংবা অসি মীওইবা ঐখোয়গী চাদা নাওদাশিং শন্দোক্লন্নবা অমদি মখোয়বু মপূং ফাবা মী অমমম ওইনবা শেম্বীরন্নবা খ্বাইদগী শেংখ্রবা উপায়নি হায়না জে পি সুদানা হায়রল্লিবনি। মসিদগীনি লুহোংববু ‘সুভবিবাহ’ হেক হেক হায়নরিবসি অদুবু ঙসিদি য়ূম্বাল্লোনগী নীতি কায়রকপদগী সুভবিবাহ (পুন্সি লৈপুন) হায়বসিগী নুংগী ৱাহন্থোক লৈরক্ত্রে। মসিদগী খুনাইসিগী অশেংবা নাৎসু মাঙশিল্লক্লে। মরম কয়ামরুম অসি লৈবদগী য়ূম্বাল্লোন কুপ্না নৈনদবা য়ারক্ত্রে ।

মৈতৈ ফূম্বালদি নুপীনা ইমুং মনুংগী অকুপ অতা পূন্নমক শীল–লাংঙই লোয়ননা মীচং মীথোক ফজবী, মীকৌ মীরাক ফজবী সেবা হৈবীসু ওইদবা য়াদে। মরম অসিনা য়ূম্বাল্লোন অসি য়ূমগী নুপীনা খরা হেন্না কুপ্না খঙদবা য়াদে। মৈতৈগী য়ূম্বাল্লোনদি ‘খোয়গী মৈতৈ য়ূমজাউ লাইখরম তাবগী কায়াৎশিংনা য়ূম্বাল্লোন অদুম তাকলি। অদুবু মতাং অসিদা মৈতৈ য়ূমজাও লাইখন তাবগী য়ূমশারোলদি নৈনজরোই।

য়ূমগী কায়াৎশিংনা তাকপা য়ূম্বাল্লোনঃ

মাঙ্গোল কা

মাঙ্গোল কাগী মখারোম থংবসি ফমেন্নি। ফমেন অসিদা ফমেন ফক অমা থানৈ। ফমেন ফক অসিদা য়ূমগী ইমুং অদুগী খ্বায়দগী নুপা অহলগী ফমফমনি। ফমেন ফকসিদা অতোপ্পা কনাগুম্বা মী অমতনা ফমবা য়াদে ফন্নদে। অদুবু শাগৈ অদুগী য়ূম্বুদুদগীদি চহী হনবা মীওইনদি ফমনৈ। ফক অসিগী মনাক্তা হীদাকফু অচৌবা অমা খিন্দুনা থমই। নোংহেক ঙানবগা লূনা নান্না য়ূমগী মৌনা হেক হেক পুথোকই।

অহলদুনা চীন–য়া শেংবা হেক লোইবগা হীদাক ঙান্থক অমা হান্দুনা পীথক্কনি, চাক তোকপা, থবক চৎলমদাই, চৎথোক খোৎথোকলুবদগী হল্লকপনচিংবা মতমদা হীদাক ঙান্থক অমমম হান্দুনা পীথক্লে। অহলনা ফমেলদা ফন্নিঙৈদা তুবৎ চৎপা হঙ্গোইনরম্মী। চৎপা তারবসু খোংউপ, সেন্দল তোংদুনা চৎনরমদে। য়ূমগী মমৌ, মনাওনুপীশিংনা মকুবোক, মতৈগী মমাঙদা মকোক খুন্নবসি চৎনরম্মী। ঙসিদি মকুবোকতা কোক খুন্নদে। মতৈদা ফাওবা থৌশানদবা কয়া য়াওরে। অরিবা য়ূম্বাল্লোনসিদদি চৎনরক্ত্রে। মী লাকপদা চা গ্লাস অমা পীথক্তুনা সেবা তৌনরে হীদাক ঙান্থক অমনা সেবা তৌবা তোকখ্রে।

মঙ্গোলগী অৱাং ইথং থংবা শরুক্লা ইমুং অদুগী মমা ওইবিনচিংবা নুপীশিংগী ফমফমনি। মসিবু মাঙশোক কোই। মাঙশোক ফমেন অনীসিনা ইমুংগী অঙাংশিং ৱারক ৱাতেন্নফমনি। হায়নবা লৈ অদুদি কনাগুম্বা অঙাং অমনা লমহেন তুহেন্দুনা ফত্তবা লমচৎ শাজৎ চৎলক্লবদি মমা মপানা মাঙশোক ফমেন ফমদুনা ৱারকতবা মচানি হায়নৈ। মসি য়ূম অদুগী কয়াৎনা তাকপা য়ূম্বাল্লোননি। অদুগা অৱাং ইথং থংবা উখোং অনীগী কারকসিনা নাকথা অশি লমবীনি হায়রি। থবক ইনখাং চৎথোকপা মতমদা নাকথদা চৎনদে। অদুগা মঙ্গোল অসিদা অতোপ্পা মী লাকপদা ফক নৎত্রগা ফাল থাদুনা ফম্নহনলম্মী।

হৌজিক্তি মী ফমফম কা দ্রোইং রুমদা অরাকপা মীশিং ফন্নরে ফক্কী মহুত্তা সোফাদা ফন্নরে। মঙ্গোলসিদা অরাকপা অতিথি অমবু করম্না ওক্কদগে লোয়নগদগে অমদি করি সেবা তৌগদগে হায়বা তম্বীনফমনি। ঙল্লিঙৈ মতমদদি মী অমা লাকপদা হীদাক ঙান্থক সেবা তৌনরম্মী। চাকচা ফিদা তিন্নবা ওইরগনা ইমুংদুগী হীদাকফু থক্লরম্মী। নৎত্রগনা লানা নৎত্রগা চেনা সেরৈ কোন্দুনা হীদাক পীথকলম্মী। নোং হেক ঙানবগা মাঙ্গোল দারি মচীন ৱাইদা ৱাই তৈথোকলগা লা মচেৎ অমদা ফুঙ্গাগী উৎনিংথৌ খরা য়াথিন পয়া অমগা হাপ্তুনা ঈশিং চাইদেংকোৎ নৎত্রগা খুজাই অমা থমদুনা অহলগী চীন শেংনবা সেবা তৌই। অনৌবা য়ূম্বাল্লোন্দদি মঙ্গোল ইরৈ লৈনদ্রে। মী ফমফম তোঙান্না থন্নদ্রে। চীন য়া শেংবসু ব্রসনা লোয়না শীজিননখ্রবনা অহলগী সেবা য়ান্না হন্থরে।

নিঙোল পিবাগী কা

মঙ্গোল থোংজিন হেক লানশিনবদা নিঙোল অমদি পিবাগী কা লৈরে। কা অসিগী অৱাং থংবনা নিঙোল অদুগা মখারোম থংবনা পিবাগী কানি। মওং অসিনা নিঙোল অমদি পিবাগী হীপফম তাকপগা লোয়ননা ওই য়েৎকী ৱাখল খঙহল্লি। অরিবা মতমগী য়ূম্বাল্লোন্দদি পিবাগী কা অসিদা লাক্লিবা মৌ অনৌবী অমদি পীবা গী হীপফম কাসু ওই। কা অসিগী হেক তাইনবা খুয়ারোমদনা য়ূমগী অহলগী হীপফম অদুম লৈরি। ঙসিদি য়াওংশং তোঙানবা কাদা মৌ অনৌবী লৈনখ্রবনিনা অহল্লমনগী ইকাই হঙ্গোইবা ব্যবহারগী ৱাখল্লোন য়াওশিল্লক্ত্রে। তোঙন তোঙান ইত্তা তানবগী স্বভাব লৈনবা হেনগৎলক্লি। য়ূম্বাল্লোন মান্নরক্ত্রে।

লৈমরেল কাজাউ য়াবীগী কা

নিঙোল অমসুং পিবাগী কাগী মনীং হেক থংবা কা অসি খ্বাইদগী মরূ ওইবা লৈমরোল কাজাউ য়াবীগী কা হায়না খঙনৈ। নৎত্রগা অহলগী ফমেন ফমজাও কানি। কা অসিগী অৱাং থংবা শরুক্তা ইমা লৈমরোলগী কানি। মসিদা ইমা লৈমরেল শিদবীগী ইশাইফু খিল্লী। য়ূমগী নুপী অহলশিংগীসু তুম্ফমনি। কাসিগী মখারোম থংবদা অহলগী তুম্ফম ফমজাউ থাফমনি। ফমুং অসিদা নহা হীপ্পদে। য়ান্না ব্যবহার তৌনা থন্নে। ফিভমশিংসিনা থকসি খাসিগী ৱাখলপী।

ইমা লৈমরেল শিদবী অমদি ফমজাউ অনীগী মরক্তা ফুঙ্গা লৈ।

ফুঙ্গা অসি মৈ মুৎহন্নদে। ইমুংগী মীশিংনা মানা মনা থোকপা শুবা নোমবা চৎনরুরগা নুমিদাংদা ইমুংগী ফুঙ্গা মপান্দা ইকোই কোইনা ফম্মিনদুনা ৱারী ৱাতাই শামিন্নদুনা ঙাইহাক্তং পূন্না নুঙাইনফমনি। হায়নবা লৈ ‘নুঙাইবগী পাম্বী কদায়দা হৌবগে’ হায়বা ৱাহংসিগী পাউখুমদি ‘য়ূমগী ফুঙ্গা মপান্দা হৌই’ হায়না খুমগনি হায়নরিবনি। হায়রিবসিগী নুংগী ৱাহন্থোক্তি নুঙাইবসিদি পূন্নমক অমত্তা ওইনা নুংশি চান্নরা লৈমিন্নরবা মতমদদা ফংবা ঙমই হায়রিবনি। মসি য়ূম্বাল্লোন্নি। হৌজিক্তি ফুঙ্গা লৈনরক্ত্রে। ফুঙ্গা অসি ইরাৎ পুজাসু তৌফম ওই।

ফুঙ্গাগা হেক তাইনবা মৈনীংদা ইমোইনু ইমা চাকহোংবী গী খুবম লৈ। মসিবু ফুঙ্গা লাইরু কৌনৈ। ইমোইনু অসি মৈতৈশিংগী য়ান্না মরূ ওইখ্রবা ৱাৎত পাদা পীবিরিবা লাইরেম্বীনি। ঐখোয়না হৈকৎ লৈকৎ তমজদুনা থৌনিজে। অহলশিংনা নুমিৎ খুদিংগী চাক চারমদাইদা ইমোইনু লাইরেম্বীদা হান্না চাক থানরম্মী। অসিগুম্বা য়ূম্বাল্লোনসি ঙসিদি উদ্রে। মরমদি য়ূমদা ফুঙ্গা লৈনদ্রে। ইমোইনুগী খুভম লৈত্রে। অদুবু ইমোইনু পুজা নুমিৎত্তদদি কোঙৌ মচেৎ অমদা মৈ হৌরগা মফম অমদা ইমোইনু ইরাৎনৈ। য়ূমশারোল কায়রকপদগী য়ূম্বাল্লোনগী নিতি খঙনরক্ত্রে। য়ূম্বাল্লোন কায়থরক্লবদি নাতকী শক্তমসু কায়থরকলে।

*(মখা মথং নিংথৌকাবদা)*

---

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### ৱাইশেল মরিল শেংলিঙৈদা খংহঞ্জবা

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

*পাটশোয়, সগোলবন্দ, কৈশামথোং, নাওরিয়া পাখংলাকপা অমদি অতৈ কেন্দ্র ফাওনা চেল্লিবা ৱাইশেল মরিলনা ঙসিদি লাই শাদুনা খোং অসিগী নাক– য়েত্তা খুন্দারিবা লৈকাই কয়াগী লৌ–ইশ্লোল, য়ূম অমদি লম্বী–সরক ঈশিং ঈচাউ নংহন্দুনা হঞ্জিন–হঞ্জিন ৱাহল্লিবসি হায়দুনা কান্নদ্রে। পুঙ খরদং অকনবা নোং চুরবদা ঈশিং ঈচাউ ময়োক্লরি, ঈশিংনা ইংখোলগী মনা–মশিং মাংহন্দুনা লৈত–লাইর মেন্নরিবা ইমুংশিং কোক্তা খূৎ হাপ্লরে। ইমুংদা ঈশিং চঙশিন্দুনা মখল মখা কয়াগী লায়না পোক্লবসু অদুম্মক য়াওরবনি। য়ান্না শেংনা হায়রবদা কেন্দ্র ময়ামগী ঈশিং চীথফম ওইরিবা ৱাইশেল মরিল, পুবা থাংবা ঙমদবগী ফিভমদা ইতৎ–তত্তনা পাথোকতুনা টিদিম লমবী য়াওনা য়ূম ইশ্লোল লবুক–লমহাং, লম্বী শোরোক্তা নাথৈরক্লিবসি য়ান্না চাওবা অশোয়বা অমদি লৈরবনি। সরকারনসু লোকেল এম এল এ দা অকনবা পাউতাক পীদুনা শেম শান্নবা হাইরমগনি। মদুমক্লা হৌজিক নোংজু থা লাকত্রিঙৈসিদা য়ান্না কন্না ৱাইশেল মরিল তেংবগী থবক পাইখৎপসু থেংনরে। খঙজরে লৈবাক্কী মপী–মপাসু ৱাইশেল মরিলগী ফিভম নিংথীনা খংলে হায়বসে।*

*য়ান্না খংহঞ্জনিংবদি অসুন্না শেল চঙনা, মতম চঙনা লৈবাক্কীদমক য়াইফনবা হোৎনরিবসিনা ৱাইশেল মরিলনা পিরিবা চৈথেং অসি কোকহনবা শুকঙম ঙম্লোই। ৱাইশেল মরিলগী ওইবা অচৌবা প্রোজেক্ট অমা শেম্বীয়ু। তুং –কোইনা চৎনবা য়াবা পোলিসি পুথোকপীয়ু। পুকচেল শেংনা, হকথেংননা ৱাইশেল মরিল সর্ভে তৌবীয়ু।*

*হেন্না খঙবীগদবদি ৱাইশেল মরিলনা পাতশোয় কেন্দ্রদগী হৌরক্লগা লোক্তাক পাত্তা তারীবনি। অসুক শংখ্রবা মরিল অসিগী মফম কয়াদা খোংবান মান্দবা মফম কয়া য়াওরিবনি। সুপ্নগী উকু মচা অমত্তং ফাৎলগা লৈরম্বা মফমসু য়াওরিবনি।*

*অদোমগী*
*বিসি খুমন*
*কৈশামথোং*